রাঞ্চি ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা মিজোরামবু ইন্নিংস ১গা রন ৩৬তা থোইখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): মণিপুর অমদি মিজোরাম অনীনা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা রাঞ্চি ট্রোফি ২০২২-২৩গী ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা মিজোরামবু ইন্নিংস ১গা রন ৩৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুরনা ঙসিগী মায়পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৪ শান্নখিবদা ২ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা অমদি ১ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা টেবলগী অনীশুবদা লৈরি।

মিজোরামনা মেটচ ৪ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা ৫শুবদা লৈরি। মেঘলায়ানা মেটচ ৩ শান্নবদা ৩মক মায় পাক্লুনা পোইন্ট ১৯ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

মণিপুর অমদি মিজোরাম অনীনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবগী অহানবা নুমিৎতা মিজোরামগী অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ৩৫.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১০৪ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ১০৬.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ২৭৭ লৌবা ঙমখি।

মিজোরামগী অনীশুবা ইন্নিংসতা ওভর ৫৩.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৩৭ লৌদুনা মণিপুরগী মখূৎতা ইন্নিংস ১গা রন ৩৬তা মায়থীখিবনি।

পনবা য়াবদি, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী মিজোরামগী অনীশুবা ইন্নিংস খরা হৌজিল্লবা ফাওবদা রন ৯৪ শোথদুনা লৈহৌখিবনি।

জোটিন ফৈরোইজমনা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিং তৌবদা ওভর ১১দা ৱিকেট ৪ অদুগা বিশ্বর্জিৎনা ওভর ৮দা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। রেক্স, প্রিয়োজিৎ কে অমদি কিষননা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

জোটিন ফৈরোইজমনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ১২৯দা আউট ওইদনা রন ৫২ লৌবা ঙমখি। প্রিয়োজিৎ কেনা বোল ১২১দা রন ৪৯, রোনাল্ড এমনা বোল ১১৫দা রন ৩৯, পি প্রফুলোমনিনা বোল ৮৪দা রন ৩৪ অমদি লাংলোনয়াম্বা এমনা বোল ৭৮দা রন ৩০ লৌখি।

মণিপুরগী অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা বিশ্বর্জিৎনা ওভর ১৭ লংবদা রন ৫৫ পীরগা ৱিকেট ৫ লৌখি অদুগা কিষননা ওভর ৮.২ লংবদা রন ১৭ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

অন্দর-১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল

# ৱাই দব্লিয়ু সী (এল), আই সী এস এ, ৱাই দব্লিয়ু সী (টি ঐচ) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা এস তোম্বী মেমোরিএল ৪শুবা অন্দর-১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব টুর্নামেন্ট ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা দি য়ং ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) লংথবালনা এফ সী ইম্ফালবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লংথবাল টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু সোরোখাইবম সিঙ্কিনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই সী এস এ ইরেংবমনা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসন (ৱাফা) ৱাঙ্গোইবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

আই সী এস এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লাইশ্রম রানীনা শান্নবগী ১০ অমদি ২৪ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা ওইনাম রেটিকানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) থম্বালখোংনা ৱিমেন্স ফুটবোল এসোসিএসন (দব্লিয়ু এফ এ)বু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হুইদ্রোম জয়সিনী চনুনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা থম্বালখোং টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। ৱাইরোকপম মোনিকানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মাংপিনেং খোংশাইনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা লংথবাল টিমগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থাংজ নুমিৎতা মেটচ ৩ শান্নরগনি।

ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল

# এফ এস সী সী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস (এস দব্লিয়ু সী) খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা এফ এফ সী সী অংথানা কে এস সী কোংববু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা এফ এফ সী সী অংথানা বি এস য়ু কৈরাওগা থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ১দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। মায়থীহৌরবা কে এস সী কোংবনা এস ৱাই দি এ সাবল লৈকাইগা থা অসিগী ৭কী নুংথিল পুং ১দা থর্দ প্লেসকী মেটচতা থেংনরগনি।

এফ এফ সী সী অংথা অমদি কে এস সী কোংবা অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা শান্তনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা অংথা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এন জি প্রেমনা কে এস সীগী কিষন শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা বুক তৌখি। রেফরিনা অংথাগী এল কিষন অমদি কে এস সীগী বুংশন অনীবুসু শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখিবনি।

# মুক্তা এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা প্রধান ট্রোফি ৬শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি হয়েল গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা মুক্তা এফ সী উচিৱানা বেঙ্গুন এফ সীবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মুক্তা এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মালেম অমদি রোমেননা ২/২ অদুগা থোমসন অমদি লোয়ানা অমমম্ চনখি।

# শৈজাং আর্মি অহৌবা নুমিৎতা থোইখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু)না শীন্দুনা ৭শুবা পুপু কপ লম্লাই কেন্দ্র ইনভাইটেসন ফুটবোল ঙসি পুপু গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা শৈজাং আর্মি এফ সীনা তাম এফ সী-এবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু মিনিকেতন অমদি লোয়ানা শান্নবগী ১৩ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা চনখি।

# অস্ফানা ধীরজপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)না শান্নরোয় ১১গী মমিং লাউথোরকপদা এফ সী গোৱাগী গোলকিপর ওইরিবা ধীরজ মোইরাংথেমগী মমিং য়াওরকপবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অস্ফা)গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা পোকপা মশাগী চহী ২২ শুরবা শান্নরোয় অসিনা চহী অসিদা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল দেব্যুটকীদমক মীৎয়েং থম্লক্লি। মহাক্না এফ সী গোৱাদা য়াওদুনা ২০২১-২২ এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ দেব্যুটতা গ্রুপ ষ্টেজ দা গোল ১৬ সেভ তৌবা ঙমখি।

সিজন অসিগী এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ টিমগী মমিং লাউথোরকপা মহাক্না অহানবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ওইরি।

রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# রোশনগী হেটট্রিকনা অপূনবা এফ সী চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): রোশননা চনখিবা গোল ৩ অদুগা কিষন অমদি প্রেমজিৎনা শান্নবগী ১৩ অমদি ১৯ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা অপূনবা এফ সী অরাপ্পিনা গম্ভীর সিংহ এফ সী চজিংবু ৫-২দা চথরিবা ১২শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

রোশনগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ১৬ অমদি ২৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি। গম্ভীর এফ সীগী গোল অনী অদুনা সনাতোম্বনা শান্নবগী ৩৪ অমদি ৩৯ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আর এফ সী সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক্না বি এফ সী বাশিখোং পান্থোইবীবু লাকচনা ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

আর এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রাকেশ অমদি সোভানা ২/২ অদুগা পিয়াবুং অমদি ইনাওতোননা অমমম্ চনখি। বি এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লমঙানবনা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কেনেদি এফ সী বিষ্ণুপুরনা লংথবাল এফ সীবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

কেনেদি এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অমিট অমদি রাকেশনা অমমম্ অদুগা বিনোইনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখি। লংথবাল টিমগী গোল ২ অদুনা লৈঙাকপা অমদি বিনোইনা চনখি।

# কোচ ৪বু স্পোট্টর ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩গী স্পোট্টর ওইনা কোচ ৪ ঙসি অস্ফানা খনখ্রে।

কোচশিং অদুদি এম দেবেন অমদি রুহিকান্তনা নুপাগী অদুগা ও বেমবেম অমদি এল রোনিবালা চনুনা নুপীগী ওইনা খনখি। মখোয় মতম চানা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্লবা অস্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# য়াইসা এফ সীনা ইরেংবন্দ থোইখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ)না শীন্দুনা ইরেংবন্দ হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়াইসা এফ সী ককচীংনা ইরেংবন্দ এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়াইসা এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জিদান অমদি নেবিননা শান্নবগী ২৭ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফমনা থৌবাল এফ সীবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

থৌবালগী অমর্জিৎনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা এম ৱাই দি এগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। দয়ানন্দনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা রোনাল্ডোনা শান্নবগী ৩৯ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা অমদি ৪শুবা গোল চনখি।

EMPLOYMENT NEWS

# Imphal Branch : Security / Gunman 2, Office Asst (Graduate) 3
# Samurou Branch : Office Asst (Graduate), Car Wash Helper 2, Driver 2
# Moirang Branch : Office Asst. 2, Gr-IV- 2, Security - 2
# Sekmai Branch : Office Asst. 2, Gr-IV- 2, Security - 2
# Thoubal Branch : Office Asst. 1, Gr-IV- 1, Security - 2
# Nambol Branch : Office Asst. 2, Gr-IV- 2, Driver - 2
# Kakching Branch : Office Asst. 2, Gr-IV- 2, Security - 2

N.B. :- Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্লনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West, Manipur
# 9774495994 / # 8731978490

HL-B/7893/6,8

# ষ্টেট শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপ অমদি নেসনল কোচশিংগী রিফ্রেশর ট্রেনিং কোর্স পাঙথোকখ্রে

মঙান থাঙ-তা লূপ ইরোম মৈজ্রাওনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমদি শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না চথরকপা অহানবা নেসনল শরিৎ-শরাক কোচশিংগী ওইবা রেফরি রিফ্রেশর কোর্স অমদি অনীশুবা ষ্টেট লেভেল শরিৎ-শরাক চেম্পিয়নশিপ ঙসি খুমন লম্পাক্কী কাংশঙ কম্যুনিটি হোলদা লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মঙান থাঙ-তা লূপ ইরোম মৈজ্রাওনা গোল্ড ৯, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ১৪গী পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন তাবা ঙমখ্রে। য়ুনিভর্সেল হুয়েল লাংলোন একাদেমি সমুরৌনা গোল্ড ৫, সিলভর ৭ পূন্না মেদল ১২গী পোইন্ট ২৯ ফংদুনা টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান-তোঙানবা থাঙ-তাগী লোইশঙ ১২দগী লাকপা শান্নরোয় নুপা ১০৩, নুপী ৯৯ অমদি ওফিসল ৩১ পূন্না মীওই ২৩২না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

সব-জুনিয়র নুপামচাগী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা মঙান থাঙ-তা লূপকী নাওরেম মহেশ (কেজি ৩৫), মীতৈ ইনাৎ শীন্দম অপূনবা হৈঙাংগী ঙাঙোম অনিশ (কেজি ৪০) অমদি সেরাম অলেক্স (কেজি ৪৫) অদুগা নুপীমচাগী কাঙলূপ্তা নেসনল এমিটি ফাউন্দেসন ইরোইশেম্বগী ফমদোম স্বিতি (কেজি ৩৫), মঙান থাঙ-তা লূপকী শৌগ্রাকপম অঞ্জলি (কেজি ৪০) অমদি শৌগ্রাকপম দনা (কেজি ৪৫) অমদি হুয়েন লাঞ্জং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন য়াইস্কুলগী হৈস্নাম পোইরৈঙন্বী (কেজি ৬৫)না গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপ্তা কৈবী থাঙ-তা একাদেমিগী সোইবম কার্লোস (কেজি ৪৫), সোইবম তাংবা (কেজি ৫৫), মঙান থাঙ-তা লূপকী ওইনাম রাহুল (কেজি ৫০) অমদি এম আই এস এ হৈঙাংগী নোংথোম্বম গুনাচন্দ্র (কেজি ৫৫) অদুগা নুপীগীদা মঙান থাঙ-তা লূপকী শৌগ্রাকপম অবেনাও (কেজি ৫৫), ময়াংলম্বম ওমোনি (কেজি ৫৫ মথক)না গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

সিনিয়র নুপাগীদা নোংচুপ পানা য়ুরেম্বমগী লুৱাংবা হিজম, ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন তাংখমগী সোরাম রোহিট অদুগা য়ুনিভর্সেল হুয়েল লাংলোন একাদেমি সমুরৌগী য়াইফবা ৱাহেংবম অমদি সান্দম ইরানসনানা কেজি ৫৫, ৬০, ৬৫ অমদি ৬৫ মথক্কী অদুগা নুপীগীদা য়ুনিভর্সেল হুয়েল লাংলোন একাদেমি সমুরৌগী মুতুম অবেসনা, হুইরেম বেবিকা অমদি অঙোম চিঙ্খৈঙানবীনা কেজি ৫৫, ৬০ অমদি ৬৫ মথক অদুগা মঙান থাঙ-তা লূপকী নোংথোম্বম অঞ্জলি চনুনা কেজি ৬৫গী গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ভক্তকুমার মীতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লাশমোননা থৌরম মপূ অদুগা দিপার্টমেন্ট ওফ স্বাছ ভারত অভিয়ানগী ষ্টেট ইন-চার্জ মোইরাংথেম দিলিপ অমদি শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চীফ এদভাইজর থিংবাইজম ইবোহনবী মীতৈনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ষ্টেট গর্লস হোক্কী টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশতা থা অসিগী ৩০দগী ফেব্রুৱারী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৮ মখাগী নুপীমচাগী ৫শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ২২না শাবা নুপীমচা হোক্কী টিম ঙসি দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা টি ঐচ লিন্থোইঙম্বী, ঐচ পবিত্র; দিফেন্দরদা দব্লিয়ু রোমিতা, এম প্রিঞ্জা, কে প্রিয়ানকা, এন দিনা, কে শর্মিলা, এন দাইনা; মিদফিল্ডরদা এল নটালি চনু, কে ইলিনা, এস তনু, এস বেবীরানী, এম প্রিয়া, ঐচ বিদ্যলক্ষ্মী; ফোরৱার্দতা এল কমলা, এম সুর্বিয়া, এল রিতু অমদি টি ঐচ দাইনালিনি।

রিজর্ভ ওইনা রিনা অকোইজম (ফোরৱার্দ), অথোকপম মালেমঙানবী চনু (গোলকিপর), এস পুর্ণিমা (দিফেন্দর) অমদি আই বসন্তি (মিদফিল্ডর)নি।

# পি কিংসননা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): হরয়ানাগী হিসরদা লৈবা চরন সিংহ চৌধুরি এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা চথরিবা ৬শুবা এলিট মেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা কেজি ৫৪ কাঙলূপকী সেমীফাইনেল বাউট অমদা ষ্টেটকী শান্নরোয় পুখ্রম্বম কিংসননা সর্ভিসেসকী সচিনগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

অমরোমদা, কেজি ৪৮ কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল বাউটতা মায় পাক্লুনা কৈশাম সঞ্জিৎ ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। মহাক্না রেলৱেজ প্রমোসন বোর্দকী গোবিন শাহনিগা ইরাই নুমিৎতা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# আই বি এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইনা ওস্কার পাওনা বজারবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওস্কার পাওনা বজারনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৩.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১১৭ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আই বি এস এনা ওভর ২৪.৫দা ৱিকেট ৫ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ওস্কার টিমবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা আই বি এস এগী ওল রাউন্দর রাজাবাবুনা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিং তৌবদা ওভর ৮দা ৱিকেট ৫ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৫৯দা আউট ওইদনা রন ৫৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

মায় পাকখিবা আই বি এস এনা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্লুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা নেট রন রেটতা এন সী এ নিংথৌখোংগী হেক মথং অনীশুবা মফমদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা গ্রুপ এগী আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর অমদি শেদো থাংমৈবন্দ লম্বা তৌনরগনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৬।০১।২০২৩ ইং, ইরাই;
ৱাকচিংগী থানিল।


**মেষ :** ললোনবদা চাওনা কান্নবা, পল্লম্বা থবক পাঙবা, শেলথুমগী লম্দসু খরদি কান্নবা নুমিৎনি। নথক থোংবনা চানবীবদি ৱাৎলি-হৈ-শিংউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস


**বৃষ :** নীংথিনা খন্থদ্রদি চাদিং হেনবা অমদি অরাপ্পগা থৌ পাঙমিন্নবা য়াদবা নুমিৎনি। লন তানশিনবদি ঙমগনি, মীয়াম্না চানবী, নুংঙাইবা ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক


**মিথুন :** নীংবা মপা চাগনি, শেন্দোংসু য়াম্না লৈ, অৱাবা খরা মায়োক্লরসু নচা-ননাই অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরী চাওখৎকনি। অনমদি তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা


**কর্কট :** নীংবা মপামক চাদ্রবসু ঈকাই খুম্নবা ফংবা, থবক পাঙবা, নুংশিবা মরুপ ফংবা, তুংগী পোরম নীংথিনা য়াখোকপা ঙমজবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওবা কান্নরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা


**সিংহ :** হন্থবা লোয়নবা, অরাপ্পগা থৌ পুনবদি মাঙগনি। অখঙ-অহৈ তান্নৌ-ফগনি। খাঙবা কনবা, মতাং চানা খূৎ চাওবগী কান্নবদি ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক


**কন্যা :** চিংনবা অমদি কিবা পোকপা লৈতনবা নাপল তৌগনু অমদি মীৱা থাজগনু। থবক পাঙবা, নরল চাওখৎপা, মীয়াম পুনবা কান্নবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক


**তুলা :** চরাংনবা অমদি ফিংবনা শোক-পনবা অমদি নথক থোংবনা তাথীবা য়াবা লৈ। মীনদি লাকচবা ঙম্লোই-নীংহন্নগনু, মফম অফবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা


**বৃশ্চিক :** নক্লবশিংগী ৱা তাবা থোইনা কান্নগনি, নচা-ননাই চাওখৎকনি, অফা-অপুন লৈরোই। ঙাকপা ঙম্লোইদবা ৱা ঙাংগনু, শাওগৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস


**ধনু :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা, মীয়ামগী মতেংনা লন তানশিনবা ঙম্বা, মীয়াম্নসু থাগৎপীবা নুমিৎনি। অরাপ্পগা মরী ফরোই, চীন য়াঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক



**মকর :** ঙক নোম্থবা হৈত্রদি কায়নবা/চাদিং হেনবা শোয়রোই। লাইবক ফবনা শেন্দোংদি য়াম্না লাক্কনি, থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি, নীংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা


**কুম্ভ :** অশাওবা/ফিংবনা নুংশাথীবা নংবা, হেন্না থাজরুবনা মতম মাঙবা লৈ। ঙাং-শকপদি পকচগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা


**মিন :** পঙশিন্নবা অমদি য়াকা য়েংনা চৎপনা হেন্না কান্নগদবা নুমিৎনি। য়েৎনরম্বদি ফরে, লোয়নবগী মতেংনা পাঙঙমদবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 679

A. Lenderman (2535) - Leinier Dominguez Perez (2747)
ch-USA 2022 Saint Louis USA (8), 2022.10.13

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.g3 d5 | 4.Bg2 Be7 |
| 5.Nf3 O-O | 6.O-O dxc4 | 7.Qc2 b5 | 8.a4 Bb7 |
| 9.axb5 a6 | 10.bxa6 Nxa6 | 11.Qxc4 Bd5 | 12.Qc3 c5 |
| 13.Be3 Ne4 | 14.Qe1 Nb4 | 15.Rxa8 Qxa8 | 16.Nc3 Nxc3 |
| 17.bxc3 Nc2 | 18.Qd2 Nxe3 | 19.Qxe3 h6 | 20.Qf4 Rd8 |
| 21.c4 Be4 | 22.dxc5 Bxc5 | 23.Qe5 Bd6 | 24.Qc3 Rc8 |
| 25.Ra1 Qc6 | 26.Rc1 Bd5 | 27.Qd2 Qc5 | 28.Nd4 Bxg2 |
| 29.Kxg2 Bxg3 | 30. ... | | |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 678 Ans. :**
25. Qh5 The white queen decoys Black's queen. The white queen deflects Black's queen away from protecting the pawn. Qxh5 26. Rxg7+ The white rook attacks Black's king, which is defending Black's pawn. Kh8 27. Rxf7+ With a discovered check by the white bishop. The white rook captures Black's pawn, which was defending the square g6. d4 28. Bxd4+ Kg8 29. Rg7+ Kh8 30. Rg1+ With a discovered check by the white bishop.
30. ...Rf6 31. Bxf6# Morphy's mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com